## ছুতি থাগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০১ : লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌরিবশিং অমসুং লন্নাই ফার্ম নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিশিংদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিং রিপ্রজেন্টেসন ওফ দ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী মতুং ইন্না মখোয়বু থা অসিগী ৪ অমসুং ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী নুমিত্তা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা ছুতি পীগদবনি হায়না দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নর, মণিপুরনা ঙসি চেরোল অমনা থোকখ্রে। হায়রিবা নুমিৎ অসি ছুতি পীরবসু খুৎশুমনদি পীগদবনি। য়াথং অসি ইন্দবা ওথোরিটিশিং চৈরাক পীবগা লোয়নননা লুপা ৫০০ ফাইন থিহনগনি হায়রি।

## অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ : ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৬কী মতুং ইন্না মীখল পাঙথোক্কদবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম পুন্নমক্তা মীখলগা মরী লৈননা মীয়ামগী মীফম, খোঙচৎ চৎপা, মী পুনবা, ঈশৈ-নোংমাই পাঙথোকপা, লীলা-দ্রামানচিংবা উৎপা য়াওনা মখল অয়াম্বগী হরাও কুম্মৈশিং পাঙথোকপা থিংখ্রে।

অথিংবা অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ১০দা মীখলগী ভোট থাদবা লোইগদবা পুং ৪৮গী মমাঙদগী চৎনবা হৌগনি অমসুং ভোট থাদবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩দা লোইগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টনা ঙসি থোকখিবা য়াথং অমনা হায়রি। মসিগা লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম পুন্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা হয়েং নুংথিল পুং ৩দগী মীখল লোইদ্রিফাওবা অথিংবা থল্লে। অথিংবা অসিগী মখাদা মীওই মরি নৎত্রগা মঙাসুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা মফম অমত্তদা পুনবা য়ারোই হায়রি।

## খোঙশানবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ : অহানবা তঙ্কাক্তা পাঙথোক্কদবা ১১শুবা মণিপুর লেজিলেসটিব এসেমব্লি মীখলদা মথৌ তৌদগদবা ৫৫-টিপাইমুখ সেক্টর অমদগী মঙা (১/২০, ২৩-২৫, ২৭, ২১, ২২, ২৬, ২৮-৩৮), ৫৬-থানলোন সেক্টর নিপান অমসুং সেক্টর মাপন (১-৬, ১৬-২৪, ২৮-৩৩) অমসুং ৫৭-সেংলেপ সেক্টর ১২ (১-৬, ৬, ১৬/১৮)গী পোলিং পার্সনেলশিং ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস থাদোকখ্রে হায়না দি আই ও চুড়াচান্দপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

## ‘লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, মার্চ ০১ : হাপ্তা কাংজৈবুংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারুরগা হল্লকপগী লম্বীদা ফৌবাকচাও য়ৌরকপদা লফুপাৎ তেরাদগী নাসিব আলিবু মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরনা ফূরকখিবা থৌওং লাইবক থীবনি হায়না নাসিব আলি মশানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা নাসিব আলিনা হায়খি, ঙরাং হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারুরগা হল্লকপগী লম্বীদা ফৌবাকচাওদা মীওই খরনা ফূ-চৈবগী থবক তৌরকখি। তোংলকপা গাড়ীসু থুগায়রকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লাইবক থীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

ইনষ্টিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট (আই সী এম) না শীন্দুনা চথুরকখিবা নুমীৎ হুমাগী ওইবা প্রোগ্রাম ওন এসেট এন্দ লাইএবিলিটি মেনেজমেন্ট অমদি লিদরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ওন হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট কোওপরেটিব সোসাইটিগী প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে।

আই সী এমগী দিরেক্টর ডা. এন রঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোওপরেটিব বেঙ্ক অমদি অতৈ বেঙ্ক কয়াদগী মীওই ৩০ রোম্না প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম ওন এসেট লাইএবিলিটি মেনেজমেন্ট ফোর বেঙ্ককী প্রোগ্রাম অসিদা লিক্যুইদিটি রিক্স, আইদেন্টিফিকেসন, এসেসমেন্ট মেনেজমেন্টনচিংবগী টোপিকশিংসু য়াওখি। প্রোগ্রাম অসি নবার্দ রিজনল ওফিসকী স্পোন্সর মখাদা পাঙথোকপনি।

লিদরশিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট কোওপরেটিব অসিনা নেসনল কোওপরেটিব য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লিনা স্পোন্সর তৌবনি। আই সী এমগী ফেকল্টি ডা. এস হেরোজিৎনা কোওর্দিনেট তৌবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মৈরা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা লৈবা নহারোল লৈশেম্বা ক্লবনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা ৬ শুবা ওবজার্ভেসন দে এগেনষ্ট দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুমীদাং সিনাম লৈকায়গী অকোয়বদা মীয়াম্না মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে। ‘ঐখোয় ময়াই কাবা চীঙাক চাবা তোল্লসি, অফবা খুন্নাই অমা শেম্লসি’ অমসুং ‘পোকঙমদনা পোকপা মীওইবগী পুন্সিবু ময়াই কাবা চীঙাক্লা লম্মাখাংদা পীখম্নহনগুমসি’ হায়বা থীমদা মৈরা রেল্লি অদু মীওই কয়ানা শরুক য়ারগা চৎখিবনি হায়রি।

# বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি মণিপুর মোদেল ষ্টেট ওইহনগনি : অমিট সাহ




ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা বি জে পি লৈঙাক লাক্লবদি মোদেল ষ্টেট ওইহন্নবা মীৎয়েং থমগনি হায়না বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা ঙসি য়ুম্নাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পি শিংজমৈ মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী ১৫ রোম কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রকপা অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়াদা শোথরি। কম্মিসনগী খল্লিঙৈদা চাউখৎ থৌরাংদি নীংথিনা পায়খৎপা ঙমদ্রে। লমদম অসিদা থবক ফংদবগী চাংসু ৱাংনা লৈরি। মণিপুরদা টুরিজম সেক্তর অমদি আই টি সেক্তর য়াওনা হীরম কয়াদা শেমগৎপা য়াবগী ওইথোকপা কয়া লৈরিবনি।

ষ্টেট অসিদা বি জে পি লৈঙাক লাক্লবদি মোদেল ষ্টেট ওইহন্নবা মীৎয়েং থমগনি। মণিপুরদা আই টি সেক্তর অসি নীংথিনা শেমগৎলবদি থবক ফংদ্রিবা নহা কয়া থবক পীবা য়াগনি। আই টিগী লমদা মণিপুর পোটেন্সিএল য়াম্না লৈবা লমদমনি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মণিপুরদগী আই টিগী লমদা খঙ-হৈরবা কয়া থবক তৌরি। মণিপুরদা আই টিগী থবক নীংথিনা পায়খৎলকপা তারবদি মখোয়শিং অসি ষ্টেট অসিদা অদুম্মক থবক তৌজবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

হৌখিবা চহী কয়া অসিদা ষ্টেটসিদা শেঞ্জা-থুমজা চথুখিবশিং নীংথিনা থীগৎতুনা মরাল লৈবশিং জেলদা লৈহনগনি। চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্লবগীদমক শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লৈঙাক মথৌ তাই। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি বি জে পিনা ঙাক্কনি। মণিপুরদা ইকনমিক ব্লোকেদ চথুদুনা লৈরিবা অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লোইশিনবা ঙমদ্রে। ব্লোকেদ অসি শাংথদুনা লৈরি। বি জে পি লৈঙাক লাক্লবদি ব্লোকেদ থুনা লৌথোক্কনি। সেন্টরনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী শেনফমশিং থাদরিবনি। অদুবু ষ্টেটসিদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা নীংথিনা থবক পায়খৎতবনা মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙমদ্রে। য়াল্লবা চেঙসু ষ্টেটতা পীরিবনি। মসি নীংথিনা য়ৌরিব্রা অমদি কদায়দা চৎখ্রবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা চাউখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাউশিল্লি। ষ্টেট অসিদসু চাউখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাউশিনহন্নবগীদমক বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা চঙই। লাক্কদৌরিবা মীখল অসি য়াম্না মরুওইবা মীখল ওইগদৌরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা ইন্দিয়াদা অওনবা কয়া পুরক্লি। অওনবা পুরক্লিবা অসিদা য়াওহৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। লমদম অসিদা ঙসি ওইরিবা ফীভমশিং অসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হীরম কয়াদা শোথ্দুনা লৈরি। চাউখৎ থৌরাংদা খুম্মাং চাউশিন্নবগীদমক অওনবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম পি প্রহ্লাদ পটেল, এক্স-মিনিষ্টর এন বিরেন, এক্স-মিনিষ্টর ও জয়, এক্স-স্পিকর হাওবম বোরবাবু অমদি শিংজমৈ এ সীদা বি জে পি মীরেপ ওইরিবা ৱাই খেমচান্দসু শরুক য়াখি।

# কাঙলূপ নাইবা, ওইদবা ঙাঙবা পার্টিশিং মীয়াম্না পড়া তম্বীরসি : সী এম

ককচীং, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

কাঙলূপ নাইবা, ফুরুপ অমখক্কী খনবা অমদি ওইদবা ঙাঙবা পার্টিশিং মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রবদি ষ্টেট অসি কায়রগনি। পোলিটিকেলগী ৱাখল্লোন লৈতবা পার্টিশিংদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু অমসুং মখোয়বু হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না পড়া তম্বীরসি হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাঙ্খেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)গী মীরেপ ওইরিবা কৈশাম মেঘচন্দ্রগী য়াইরিপোক বিষ্ণুপুরদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পিনা ওইদবা পাদবা কয়া গাড়ীদা টেপ রেকোর্দর থাদুনা লাউরিবসি মণিপুর মীয়াম অপঙবা ওইনা উরম্লনি অমসুং পার্টি অসিদগী চেকশিনবীয়ু।

মহাক্না হায়খি, চুম্নগী মীওই অমনা হায়বসু নত্তবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিদা ভোট পীবিদুনা লৈঙাক শীন্নরবদি থা অসিগী ১৩দগী ব্লোকেদ হন্দোকহনগনি, য়াওশঙ কুম্মৈ নুংঙাইনা পাঙথোকপা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখিদুনা পার্টি অসি আই-এম অমসুং য়ু এন সীগা খুৎশম্নুনা চৎমিন্নরে হায়বা তাকচরবনি।

ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরবু নুমিৎ নিনিদং ফম্ম থাদোকউ, পি আর থমজিল্লগা ইকনমিক ব্লোকেদ হন্দোকপীগে হায়বনচিংবা ওইদবা ৱাফম কয়া ঙাঙলি। সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিনা ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেস পার্টিনা চহী ১৫দা তৌবা ঙমদবা থবকশিং থা ১৫গী মনুংদা লোইশিনবীগে, ইম্ফাল-জীরিবাম লম্বী নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা শেম্বা লোইবিগে হায়খিবদু শেমজিনবদি লায়রদা ঙসি ফাওবা লম্বী অসিদা নুঙমপোৎ অমফাওবা থাদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লবা মতুংদা ফুরুপ খূদিংমক চপ মান্ননা, নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা কোংগ্রেস পার্টিনা থল্লম্বা শত্তম বি জে পিনা মসিগী ওন্ন-তৈনবদা কাঙলূপ, ফুরুপ নাইবা থৌওং কয়া চথরি। অসিগুম্বা পার্টি অসি মপাঙ্গল কনখৎহনখিবা তারবদি ইন্দিয়া মচেৎ তানা কায়রগনি, মণিপুরসু লৈররোই। মীয়াম্না অসিগুম্বা পার্টি অসি লাক্লিবা মীখল অসিদা অচৌবা পড়া অমা তম্বীরসি।

হন্দক ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা ৱাশকপা য়ানবা এম এল এ সিট পুন্না ৭৫৭গী মনুংদা শুপ্নগী মুস্লিম মীরেপ অমখক মণিপুরগী লিলোং এ সীদা টিকেট পীবসি মাইনোরিটিশিংবু নমথবনি। মসিদবু করম্না মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্কদৌরিবনো, করম্না কাঙলূপ নাইদে হায়গদৌরিবনো হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা হংখি।

ঙসি ফাওবা কোংগ্রেসনা হীরম খূদিংমক্তা মাইনোরিটিশিংবু নমথিখিদ্রি। হীরম খূদিংমক্তা মাইনোরিটিশিংগীদমক চাদা ৪ কোটা থল্লি। রাজ্য সভাগী এম পি ফাওবা মাইনোরিটি মুস্লিম থাগৎলিবনি। ৱাঙ্খেম এ সী অসি ফুরুপ শুনা খুন্দাবা মফমনি। কাঙলূপ খূদিংমক্না কোংগ্রেসকী মীরেপ মেঘচন্দ্রবু নুংশিবীয়ু, বি জে পি খঙপ্রেক খঙহনসি। খৎনগনু, চৈনগনু, নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নগদবনি হায়বসি কোংগ্রেস পার্টিগী ৱাখল্লোননি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসি য়াম্না মরুওই। হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম য়াম্না অরুবা তানফম অমদা লৈরি। ষ্টেট অসিদা মণিপুর থুগাইবা পাম্বা মীওই কয়া লৈরে। মরম অদুনা মীয়াম্না মণিপুর থুগাইবা পাম্বদ্রবদি কোংগ্রেসতা ভোট পীবিয়ু, মণিপুর থুগাইবা পাম্লগনা কোংগ্রেস নত্তবা ভোট পীবিয়ু।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লকপদা ষ্টেট অসিদা চীং অমদি তম অনীমক্তা থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। কোংগ্রেস পার্টিনা তৌগনি হায়না ৱাশকখিবা কয়া অদু লোইনমক পাঙথোকপা ঙমদ্রবসু চাদা ৯০দি থবক্তা ওন্থোকখ্রে হায়বা য়াই। মীওই খুজোক খরনা চীংগী লম শেম্বীদে হায়রিবসি অরানবা, ওইদ পাদবা কয়া হায়জিনবনি। ঐ চীংমীনি অদুনা ঐনা খঙই। চহী ১৫গী মমাঙদা লৈরমদবা কয়া হৌজিক মীয়াম্না উবা ফংলিবসি শেমগৎ শাগত্তে হায়গদৌরিব্রা? অসিদসু নত্তনা হকশেলগী লমদা, মহৈ-মশিনগী লমদা ষ্টেট অসিনা লৈবাক্কী ওইনা চাউথোকচবা ফংনা চাউখৎলবনি।

গাইখাঙমনা মখা তানা হায়খি, মণিপুর মীয়ামগী মাঙদা তারিবা য়েক্লবসি অরোনবা অমদি অফোঙবা হায়না মখল অনী লৈ। অফোঙবা য়েক্লবা ওইরিবনা এন এস সী এন (আই-এম)নি অদুগা অরোনবা য়েক্লবদা মখোয়গা চৎমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিনি। মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা মখোয়গী অনিংবা থুংগনি খল্লিবা পোলিটিকেল পার্টি অদুনি। অদুনা অরোনবা য়েক্লবা ওইরিবা পোলিটিকেল পার্টি অসি হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়াম্না পড়া তম্বীগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র অমদি ব্লোক্কী প্রসিদেন্টসু শরুক য়াখি।

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খঙহল্লু হায়বা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

য়ু সী এম অমসুং সী সী এস কেগী মখাদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), য়ুথ লাইব্রেরী ক্লব, পোলেম লৈকায় অমসুং পোলেম লৈকায় মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা ঙরাং উরিপোক পোলেম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মীয়ামদা খঙহল্লু হায়বা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

য়ু পি এফকী সেক্রেটেরি পল্লিসিটি এন দিনেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়ামগী মীফম অদুদা ঐচ আর আইগী এক্টিং চেয়রমেন ৱাই রতন, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবা, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট এস রতনকুমার, তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট মোমোন, য়ু সী এমগী ঐচ আর দি সেক্রেটেরি বি এম য়াইমা সাহ, পোলেম লৈকায় মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এ সনাতোম্বী, য়ুথ লাইব্রেরী ক্লবকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু শ্যামানন্দনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মীয়ামদা পুথোক্তুনা খঙহনগদবনি। হৌজিক মফম কয়াদা চথুরিবা মীয়ামগী মীফম অসি পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগদবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং কৈদৌনুংদা তোঙান তোঙান খায়দোকপা য়ারোই। খায়দোক্লবা তৌরকপা খুদিংমক মীয়াম্না থেংনগনি। মীয়াম্না মদু কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই হায়না মীফম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

ৱাঙাঙলোয়শিংনা থমখিবা ৱাফমশিংদা, ইনরিবা য়ান-ৱারোল অদুদা করিমত্তা য়াওদে হায়রবদি মীয়াম মাঙদা পুথোকপদা করি অকায়বা লৈবগে। মখা তারকপদা অশাবা শাজিন্নবা চে অমা সোসল ৱেবসাইটতা থাগৎলগা হেক্তা অচুম্বনি হায়গদৌরিব্রা। মণিপুর মীয়াম অসি করিনি হায়না খনবগে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা তৌরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংদা শোক্কদবা য়াওরবদি মণিপুর মীয়াম্না কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই হায়নসু ফোঙদোক্লখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কিহনবা য়ানিংদে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ : ক্যামগৈ মুস্লিম ময়াই লৈকায়দগী ইটরিস আলিদা ফূ-চৈদুনা কিহল্লকখিবা য়ানিংদে হায়না ইটরিস আলি মশানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, মহাক্কী মচলনুপী থোকপা অমগী য়ুমদা চৎপা মতমদা লম্বীদা ক্যামগৈ মুস্লিম অৱাং লৈকায়দা ফূ-চৈবগী থবক চথুরকখি। মরাল কয়া শীজিন্দুনা ফূ-চৈবগী থবক চথুরকখিবা অমদি কিহল্লকখিবা থৌওং য়ানিংদে। মহাক্কী মচানুপা অমদি মহাক ফূরকপদগী কোক্কী শরুক্তা শোকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসি লাইবক থীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক শেম্বদা থৌদাং লৌরক্কনি : রামচন্দ্র

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা এল জে পিগী ওইনা থাদোক্লিবা মীরেপশিং চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈঙাক শেম্লকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না দলিট সেনাগী নেসনল প্রসিদেন্ট রামচন্দ্র পসুৱাননা ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা রামচন্দ্র পসুৱাননা হায়খি, লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা এল জে পিগী মীরেপ ১৭ থাদোক্লি। মীখল অসিদা পার্টি অসিনা থাদোক্লিবা মীরেপশিং অসি মায় পাক্লক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা থল্লি। মীখল অসিগী মতুংদা পার্টি অসিগী ওইনা মায় পাক্লবা মীহুৎশিংগী ওইবা ফিরেপকী মতুংইন্না মখা তাবা থবক কয়াসু পায়খৎকনি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মতুংদা লৈঙাক শেম্লকপদা এল জে পিনসু অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি। সেন্টরনা হৌজিক বি জে পিনা এল জে পিগা এল্লাইয়েন্স ওইনা চৎমিন্নরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক য়ারদুনা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়খি, এল জে পিগী নেসনল লিদরশিংগা মণিপুরগী মরুওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা ৱারী শানরি। পার্টি অসিগী নেসনল লিদরশিংনা মণিপুরগী ইন্টরেষ্টতা থবকশিং তৌনবগী চপ চাবা থাজবা থল্লক্লি। পার্টি অসিগী লুচিংবসু য়ুনিয়ন কেবীনেটতা য়াওরিবনি।

১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা পার্টি অসিগী ওইনা চীংদা মীরেপ তরেৎ, তমদা মীরেপ ১০ থাগৎলি। মীরেপশিং অসি চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লমদম অসিগী থবক কয়াদা অচৌবা থৌদাং কয়াসু পার্টি অসিগী মীহুৎশিংনা লৌরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কৈশাম নিংথেমজাওগী মীখলগী ফিরাল চিংখৎখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলদা ৭-অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মণিপুর নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী মীরেপ ওইরিবা কৈশাম নিংথেমজাও (কে এন সিংহ)গী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম ঙসি য়াইরিপোক তোপ চীংথাদা লৈবা কেন্দিদেট অসিগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এল টি এফকী কনভিনর ডা. এম নরানা হায়খি, মণিপুরগী পোলিটিক্স অসি লল্লোন-ইতিক্কুম্না তৌনরক্লে। শেন্দোং য়াওদ্রবদি হায়বা ৱাখল্লোন অসি মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সনশিংদা লৈরে। ষ্টেট অসি লল্লোন-ইতিক তৌফম, শেন্দোং তানফম ওইনা উরে।

মণিপুরদা চথুরিবা থৌওং অসি মীনা তৌনদবা ঙাক্তনি। কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী লৈঙাক্তা খেন্নবা করিমত্তা লৈতে। বি জে পিগী খেন্নবা হায়রগা লাইনিং লীচৎকী মচু শংবা খক্তনি। লাইনিং লম্বী অমখক্তংদা লৈবা য়ারোই। মরমদি ইন্দিয়া হায়বসি লাইনিং লীচৎ কয়ানা পূনবা লমদমনি। লাইনিং লীচৎ অমনা দোমিনেট তৌবা য়ারোই। মরম অদুনা হীরম অসিদা মীয়াম্না খন্থবা চঙই। চীং-তম নুংশি-চান্ননা করম্না লৈগনি হায়বসি খন্থগদবা মতমনি হায়খি।

মণিপুর অসি লল্লোন-ইতিক তৌফম, শেন্দোং তানফম ওইনা লৌনরে। মরম অদুনা ষ্টেট অসিদা লল্লোন-ইতিক তৌবদা শেন্দোং য়াওদ্রবদি হায়বা ৱাখল্লোন অসি পোলিটিক্সতসু চঙশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোকপা, লৌথোক্তবা হায়বসি শেন্দোংগী ৱাফমদনি। শেল পায়বা, নোংমৈ পায়বা মখল-মখা কয়াগী শেন্দোং তান্দুনা শেল পায়রক্লবশিং ঙাক্তনা ভোট লেপ্লক্লি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী মীয়াম্না চেকশিনগদবনি। ঙসি মীয়াম অসি বি জে পি অমদি কোংগ্রেসনা ৱাহল্লিবনি। মণিপুর কনসি হায়রবদি অনৌবা, অওনবা পুরক্কদবা মীরেপ্তা ভোট পীবা মতম ওইরে। তাঞ্জা অসিদা লৈবাক্কী করিগুম্বা খরদি তৌসি হায়দুনা ঐখোয় পূন্না থোক্লকপনি।

বি জে পিনা মণিপুরদা লাং কয়া থাকপদগী ষ্টেট অসিগী মীয়াম লৈতাহন্দ্রে। হৌজিক ফাওবদা করিগীদমক্তা ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোক্ত্রিবনো। মণিপুরদগী খ্বাইদগী শুদবা মীনা ইনাক খুল্লি, অদুগা শুগনবা মীনা লায়রবা, য়াঙ্গংবা হায়বদু ওইদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা কৈশাম নিংথেমজাওবু শৌগৎপীয়ু হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এন দি এফকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা হায়খি, দেমোক্রেসিদদি কন্সটিট্যুসননা য়াবা ফেষ্টিবেল অমা ওইনা ইলেক্সন অসি মীয়াম্না খঙনরি। অদুবু ইলেক্সন ফেষ্টিবেল অসি মীয়াম্না খন্থবা চঙই। কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা মণিপুর মীয়ামগী খনবা নত্তে। হায়র ওঠোরিটি, দিল্লিগী অয়াবা য়াওদনা থবক তৌবা ঙম্বা নত্তে। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবা ঙমদবা অমদি ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিনবা ঙমদবা পার্টি অসিদা ভোট পীফম থোক্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা ভোট খোম্বা লাক্লগা ঙাঙলিবশিং অসি নোক্লিংবা ফাওই। মরমদি মণিপুরগী মীয়াম্বু লাইরিক হৈতবদৌনা মখা থাবদা ঙাঙবদৌনা ঙাঙ শক্লিবা অদুনা মণিপুরগী মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবনি হায়বসি তাকচরে। মণিপুরদা কোংগ্রেসনা পাল্লগা সেন্টরগী বি জে পিনা কান্নবা পীরোই। সেঙ্কসন তৌরোই হায়বসি অপীকপা ৱাখলনি। বি জে পিনা পান্দ্রবদি ইকনমিক ব্লোকেদ লৌথোক্লোই হায়রিবসিসু মীয়াম্না খন্থবা চঙই। মীয়ামগী থবক তৌরোইদবা মীরেপ্তা ভোট পীরগনু। থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইদা ভোট পীবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা মীরেপ ওইরিবা কৈশাম নিংথেমজাওনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমগা য়েংনবদা অন্দ্রো এ সী অসি মতম শাংনা শোথ্দুনা লাক্লি। উফুল থোকপা লম্বীদা চৎপনা মীওই কয়া লায়না কয়ানা নাহল্লি। লু-নান্‌বা হাইজনিক ওইবা পূন্সি মহিং ফংদ্রে। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী এম এল এ লৈতবা এ সী ওইবনা দিভলপমেন্ট অমত্তা লৈত্রে। লম্বী-থোং, অফবা থক্লবা ঈশিং অমদি অনা-লায়েংগী প্রোব্লেমনা থল্লবা এ সী অমনি। নুপীশিংদা অহেনবা মপাঙ্গল পীদুনা শেন্থোক লম্বী পীবীবগী ৱাফমসু লৈতে। মরম অদুনা এ সী অসিগী অৱাৎ-অপা অমদি দিভলপমেন্ট পীবদা মতেং পাংগে হায়দুনা মীহুৎ ওইনা থোক্লকপনি।

## রিমুনরেসনগী মতাংদা খঙহন্নবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০১ (ঐচ এন এস) :

মীখলদা মথৌ তৌগদৌরিবা ক্লাস ৱান, টু অমদি থ্রী ওফিসলশিংগী রিমুনরেসন রেটকী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু হায়না দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টতা এফ এস টি টিম, এস এস টি টিম, ভি এস টি টিম, ভি ভি টি টিম অমদি সী এম সী আর টিমগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

চেরোল অদুনা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি ইলেক্সন দ্যুটি ওফিসলশিংগী রিমুনরেসন রেটকী মতাংদা থোকখিবা চেরোলগী সেরিএল নম্বর ৬ তা য়াওরিবা রিমুনরেসন রেটকী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবীয়ু। রিমুনরেসন অসি ৱার্কলোদকী মতুংইন্না টিমশিং অসিদা খরা হেনগৎহনবীয়ু। ওফিসলশিংনা লন্নাইগাড়ী শীজিন্নরিবা কয়া অসিগী মতাংদসু নীংথিনা খঙহনবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি। এফ এস টি টিম, এস এস টি টিম, ভি এস টি টিম, ভি ভি টি টিম অমদি সী এম সী আর টিমনা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।